# ঐখোয়গী অশেংবা ঈগী ইচাশিংনা মায় পাক্কনি

## (খুরুমজরি ইকোক নোল্লগা)

– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –
(তুংগী মীরোলশিংগীদমক কখোকচবা)

কংলৈপাক্কী পুৱারীদা মে ৩, ২০২৩ অসি শুক্কাও কাওবা য়াদ্রবা য়ূমশকৈশা নুমিৎনি। নুমিৎসিদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা কুকিশিংনা সোলিদরিটি পিছ রেল্লি অমা চৎখি। মী লিশীং কয়ানা হান্ননা শিন-লাংলগা পাঙথোকখিবা থৌরম্নি। পিছ রেল্লি অদুদা নোংমৈ পায়বা, য়ুনিফোর্ম শেৎপা কয়াসু য়াওবগী শক্তমশিং উখি। অসিগুম্বা অচৌবা থৌদোক অমগীদি গভর্ণমেন্টতগী পর্মিসন অমা লৌফম থোকই। রেল্লি অসি পাঙথোকপা য়ারে হায়বগী পর্মিসন ফংলবা মতুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী পুলিসকা লোয়ননা পাঙথোক্কদবা রেল্লিনি। হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্টকী ওর্দরশিংসি থবক ওইনা পাঙথোকপগী মমি চীংদদি তাদ্রি। চীংগা-তমগসি তোঙান-তোঙানবা ওর্দরনি চৎনরিবসি। লৈবাক অমদা চীংগা-তমগসি তোঙাল্লি।

কংলৈপাক অসি মালেমগী ৮-শুবা অঙকপনি। লমদম অসিদা ষ্ট্রিক্ট ওইবা হুকুম অমত্তা লৈতে। লৈবাক্কী লো অসি লৈঙাক্কী খূৎতা লৈরি। মানা-মানা অনীংবদু পাঙথোকপা য়ারিবা লৈবাক্নি। কংলৈপাক্কুম্বা খুন্নাইদি মালেমগী মফম অমত্তদা লৈতে। হৌজিক ফাওবদা খুন্নাইসিগী ওইবা এপেক্স বোদি হায়বদি মীয়াম্না য়ানরবা লূপ অমখক শেন্বা ঙমদ্রি। মচেৎ-মচেৎকী লৈবাক ওইরি। পুল্লপ পূনশিনবা ঙমদ্রিবসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী অশোনবা ইতিক-ইগুননি। শোয়রিবা পূন্নমকসি পুল্লপ-পূনশিনবা ঙমদবগীনি।

মে ৩, ২০২৩গী নুংথিল পুং ৩.৫০ তারকপদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ফৌগাকচাও ইখাই মনীং লৈকায় অসিদা কুকি মিলিটেন্টশিং অমসুং ৯-অসাম রাইফলসশিং পুল্লগা নোংমৈ কাপশিল্লগা য়ূমশিং মৈ থাবা হৌরকখি। লৈকায় অসিগা হেক থংনরিবা মখারোমদা খুন্দারিবশিং অসিনা ৱাইফৈ ত্রাইবকী খুলনি। নুমিৎতুদা য়ূম ২৬ মুক মৈ থাখি। পুমতুম তুম্না মৈ চাকখিবা য়ূমশিং য়াওখি। Fergusson Tractor, লৌ য়ৈনবা মেছিন, মারুটি কার, এক্টিভা, সনা-লুপা, পৈশা কোইনশিং মৈনা তাঙ্গৌই ওইহনখি। শেল ওইনা লুপা লাখ ৩ হেন্নসু মৈ চাকহনখি। শেল মৈ থাবগী কুকি ফূরুপ অসি জেলদা থম্বা য়ারবনি, লমদম অসিদা অচুম্বা লো লৈরম্লবদি । ফৌগী কোট খরসু মৈ থাখি।

খুল অসি 1/2x1/2 kmগী এরিয়ানি। এঙ্গাং-নাপি থাবদা য়াম্না ফর্টাইল ওইবা মফম্নি। ঈংনা-চিক্না থবক শূরগা হিংজরিবা লৈকায়নি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসতগী কিলোমিটর ১১ মুক লাপ্না লৈরিবা খুঙ্গংনি।

খ্বাইদগী ঙক্লিংঙাই ওইরিবসিদি মফম অদুদা দ্যুটি তৌরিবা মণিপুর পুলিস অমসুং কম্মান্দোনি হায়রিবা মীওইশিং অদুনা মখূৎতা নোংমৈ পায়রবসু রোবোট তৌনা ভাবোক ওইরগা য়েংদুনা লৈখিবা অদুনি। মখোয়দা মকোক থোংবা পাংদবশিংনা 'ফয়ারিং ওর্দর' পীখিদবা অদুননি। মীচম মীয়াম্না মখোয়দা নোংমৈশিংদু পীবিরো ঐখোয় কাপকে হায়দুনা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া লাওনখি। নূঙ ফাওবা লংনখি। মদুদা দ্যুটি তারিবা য়ুনিফোর্ম শেৎপশিংদু ইমাদগী হেল্লিবা, ইমা লৈবাক হায়বসি করিনো খঙদ্রবা মিক্স ব্লদকী মীওই ঙাক্তনি। মৈতৈশিংনা চেল্লগা য়েংদুনা লৈবা ঙমখিবা মীওইশিংদু অশেংবা ইমা লৈবাক্কী মচা অমত্তা নত্তে।

কংলৈপাক অসি ঈ অশেংবগা শেংদবগা পুল্লপ পুনশিন্দুনা লৈমিন্নখিবদগী লৈখা তারিবনি। ইমা লৈবাক্কীদমক খনবা মীদি য়াম্না তাঙলি। ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাবদা করিসু খন্দ্রিবশিং অসি অশেংবা ঈগী মীশিংনি। অদুগা মপুন্সিদা অফবা থবক অমত্তা পাঙথোক্লমদনা মীঙোন্দা অয়েৎপদা পীদুনা হিংলিবা মীশিংদি অশেংবা ঈগী মী অমত্তা নত্তে। অয়েৎপা হায়বসি কনাদসু পীরোইদবনি। ঈ শেংদবা কাঙবুসিনি কংলৈপাক কংহল্লিবসি।




জি আই পাইপনা শাবা বোম (ওই) মীনুংশি মচেৎ অমত্তা য়াওদ্রবা লমহেনবা কুকিশিংনা অমাঙ অতা থোকহল্লম্লবা য়ূম

মে ৩, ২০২৩গী নুমিদাংৱাইরমদা ফায়র বৃগেদনা মৈ চাকপদু কনবা লাকখি। নোংমৈ কাপখিবা মরক্তুদা ফায়র বৃগেদনা মৈ চাকখিবদু কনবা ঙমগদৌরিবরা? নুমিৎ ৩গী মতুংদা পুলিস পর্সনেলশিংদা ফায়রিং ওর্দর পীখি হায়রকখি। নোংমৈ পায়রিবা সিফাইশিংনা পায়রিবা খূৎলায়শিংদু লৈতেংগীরা? সেল্ফ দিফেন্সকীদমক পায়রিবা নোংমৈরা? মীওইবগী চৎন-কাঙলোন পূন্নমক থুগাইরগা, মৈতৈ মীচম মীয়ামদা মীনুংশি অমত্তা য়াওদনা নোংমৈ কাপ্লিবা অমসুং য়ূমশিং মৈ থারিবা অসিনা করম্বা লৈঙাক্কী ওর্দরনো? অসিগুম্বা শা-ঙা ফাওবনা পাঙথোক্লরোইদবা, মীওইবা খুন্নাইনা চৎনদবা থৌওং অসিবু কনাগী হুকুমগী মতুং ইন্না পাঙথোকখিবগে? মীচম মীয়াম্বু তমথীখ্রবা কাঙবু অসিগী টার্গেট কনাগী থৌইনশিন্দগী ওইখিবনো হায়বদু মীয়ামসু খঙলি। ফত্তবা হায়বসিদি খক কুইনা লোৎতুনা থম্বা য়াদে।

মতম্না পূন্নমকসিগী ফল পুজরকপনি। মীচম মীয়াম ঙাক্নবা পায়বা নোংমৈশিং ওইরমদ্রে। হৌজিক্তি হায়রিবা খুল অসিদা বি এস এফ অমসুং ১৬-কুমাওনগী লান্মীশিংনা ঙাক শেল্লি। মখোয়দা ফায়ারিং ওর্দর অসি মখোয়গী ফম্নাইবশিংদগী পীরম্লে। ইজরিবা ঐহাক্না ওগষ্ট ১৩দা খুঞ্জাশিং অমসুং য়ুনিফোর্ম শেৎপশিংগা উনজরে। মৈ চাকখিবা খুলশিংদুদি - মে ৩, ২০২৩দা বাংলা, ৱাইখুরোক; মে ৪দা তোর্ব্বুং, শাবল মমাঙ অমসুং মনীং লৈকায়দা কুকি মিলিটেন্টশিং অমসুং মতেং পাংলিবা ক্রুপশিংনা মৈতৈগী য়ূমশিং মৈ থাখি। মে ১৩দনা তোর্ব্বুং গোবিন্দপুরদা য়ূমশিং মৈ তুম্না থারগা মাঙহনখি। মে ১৭তা অৱাং লৈকায় (তুরেল বান্দ)দা য়ূম ১৫ উৎ ওলহনখি। চোংথাম লৈকায়, কংবাই বজার অমসুং তোর্ব্বুং বজারদসু য়ূমশিং মৈ থাদুনা মাঙহনখি। অদুগা জুলাই ২৫, ২০২৩দনা ময়ায় লৈকায়দা ফৌগাকচাও খুলগী য়ূমশিং মৈ থাখি। ওগষ্ট ৩, ২০২৩দা সী আর পি এফ অমসুং ৯-এ আরগী কাঙবুনা বার্ব ৱায়রগী ফেন্সিংদা ইলেক্ট্রিক করেন্ট থাজিল্লগা মৈরা পায়বী ৫০ হেন্না শোকহনখি। মীচম মীয়ামসি হিংবা ঙম্ননবা পাম্বৈশিং শীজিন্নরগা কুকিশিংগা মায়োক্নরি।

মৈতৈশিংসি ময়াং মচাশিংনা পুথোকপা পোৎ চৈশিং তপ্ন-তপ্না চারগা স্লো পোইজনগী ফীভমদা করিসু খন্দনা হিংজরিবা ফূরুপ্নি। ত্রিপুরি ফূরুপতৌনা ত্রিপুরা ষ্টেট নোংমদি শোয়দনা লোইখ্রদৌবা ফূরুপ্নি হায়বসি কাউরোইসি। মসিমদি মতম পূন্নমক্তা কাউবীগনু মদুদি হন্দক্কী লান অসিদি ফূরুপ অসিগী অরোইবা লাননি। মায় পাক্লে ফূরুপসি হিংলগনি অদুগা মায়থীবা তারগদি মৈতৈ ফূরুপতি শোয়দনা লোইরগনি। চীংয়া-তময়াদা ৱানা ইচাশিংনা ঐখোয়বু ঙাক্লিবনি।

ওগষ্ট ১১, ২০২৩দা পার্লিয়ামেন্ট সেসন লোইখিবা অমসুং মদুগী মমাঙদা মণিপুর ষ্টেটতগী কাখিবা এম পিশিংনা ৱাহৈ অমা ফাওবা ফোঙদোকপা ঙমখিদবগী মরমশিংদি মীয়ামসু খঙবীরি। ৱাহৈ খরদং ইজরবদা - বি জে পিগী মখাদা মীখা পোন্দুনা, নীরগা চাবা, ইশাগী ফ্রীদম ওফ স্পিচ/এক্সপ্রেসন মুনখিবা অসিনচিংবনি। কন্সটিট্যুসননা পীরিবা রাইটসপু নমহৎতুনা মুলহনবগী মতাংদসু অয়েৎপা অমত্তা লৈতে। মৈতৈ খুন্নাই অসি লোইশিন্নবগী প্লান য়াম্না শেল্লি হায়বসি ঐখোয় কাউবা য়াদে।

ইমা লৈবাক কন্নবগীদমক থৱায় থাদোকখ্রবা মীশিংবু নীংশিংনবগী করি থবক থৌরম পাঙথোক্লবা শিনবীখ্রবগে? অসুক য়াম্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইখ্রবা তাঞ্জাসিদা এম এল এ নৎত্রগা এম পি অমত্তা মশাগী অমসুং লৈবাক্কী ঈজৎনা মমাঙদা থল্লগা ফম থাদোকপগী ৱাখল ফাওবা খন্দে। ফম থাদোকপবু পিওন অমনা রিজিগ্নেসন লেট্টর অদু থিলহল্লগা লোইরে। হায় লেভেল দ্রামা উৎনবগী লুপা ক্রোর কয়া চঙনা মীরেম অমসুং এক্ট্রেসশিং নেল্লগা উৎত্রবসু য়াই। মী পূন্নমক মতম পূন্নমক্তা মীনম্বা য়াবা নত্তে। দ্রামা অদুদা গধা ফাওবা মখোল হৌনা নোক্লমগনি। পার্লিয়ামেন্ট সেসনদা মৈতৈ এম পিদি স্মাইলিং ফেস (মোমোন নোকপগী) শক্তমদা উরি। মণিপুরী মীয়ামগী মায়থোঙ মকশিনবা এম পি অমসুং এম এল এশিং য়াওদে। ওগষ্ট ১৩, ২০২৩ অথৌবশিংগী ফঙ্কসনগী ফোটোদসু নোকপগী শক্তম উরি।

ঙসি ফাওবদা কংলৈপাক অসিদা ওইখিবা অমসুং ওইরিবা গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর, এম পি, এম এল এ, আই এ এস, আই পি এসনচিংবা ওফিসরশিং অমত্তনা তাকয়েলপাৎতা লৈরিবা ব্লাইন্দ হোমদা চৎখিবগী অমসুং চৎনীংবগী মমি ফাওবা উদ্রি। ইনাক-কৈরাক খুল্লবা, অহেনবা পীক থন্না লৈরবা মীওই অমত্তনা ব্লাইন্দ হোম অসিদা অঙম্বা খরা মতেং পাংবগী খুদমসু উবা ফংদ্রি। খুন্নাই অসিদা মমিৎ উবা ফংদনা পোক্লুবসি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবনি খঞ্জে। শিবদা করিসু পুবা য়াদনা লোইগদৌবা মপোকসিদা অরেম্বদা তাহৌগদবা পোৎলূমশিংদু ব্লাইন্দ হোম অসিদা দোনেট তৌরম্লবদি পুন্সিগী ওইবা মীংচৎ চহী খরগীদি লৈহৌরগনি খঞ্জে। মীওইবগী মপোক্তা খ্বাইদগী তোল্লবা মমিৎ তাংববু নুংশিদ্রবা, অদুগা খ্বাইদগী হেন্না হুরাল্লিবা অমসুং লমচৎ-শাজৎ লুদবদা শা ঙাদগী হেন্না শাথীরিবা মীবুদি ইকায়খুম্নরিবা খুন্নাইনি হায়বদা থোইনা লাল্লোই। চরা হেনবগী অরাম-খৌরাংবদি চরা হেল্লকপা মীতনা খঙবা ঙমগনি। হৌরকফম কাউবা মীদি মী নত্তে। শাদগী হেন্না শাথীবা জীবনি। ঐখোয় মীওইবদি চপ মান্নে। অৱাং-অনেম করিসু লৈতে। মতিক চাদবা, লমচৎ-শাজৎ শা-ঙাদগী হেন্না লুদবা মীদা ইকায়খুম্নরোইদবনি।

হন্দক দেল্লীদগী তাল্লকখিবা ইকায়বা খঙদ্রবা মৈতৈ ফূরুপকী ঈজৎ মাঙহনখিবা ফম্নাইবশিংনা মতুংদা অমুক হন্না অদুগুম্বা ইকায়নীংঙাই ওইবা থবক্তু পাঙথোকপীগনু। নখোয়সি নশাগী নথৌ মশক খঙদ্রে। ফম্নাইবা - মীয়াম্না খনখিবা মীহুৎনি হায়বসিদি মীচম মীয়ামগী মতেং পাংলুনবা ওইরিবা ফমশিংনি। থা ৩ হেন্না তূমদ-চাদনা পুন্সি লেল্লিবা, চীংয়াদা লৈদুনা য়াম্না ৱানা হিংলিবা মীয়াম্বু এম এল এশিং অমসুং এম পিনা কয়ারক চৎলগা মতেং পাংবীখ্রবগে? মীচম মীয়াম্বু থৌগল তৌবা হায়বসি শেন্বীবা মপুবু থৌগল তৌবগা চপ মান্নে। লায়রবা মীয়ামগী মপোৎ মচৈদি মৈনা তুম্না চাকখ্রে। অদুগা নখোয় খরদি সিফাইশিংনা অহাঙবা য়ুম ফাওবা নোংমৈ পায়রগা ঙাকহল্লি। মীচম মীয়ামগী থৱায়দগী নখোয়গী অহাঙবা য়ুমনা হেন্না মরু ওইরি। অসিগীসু ৱায়েল মতম্না পুরকখিগনি।

ইচাশা- অৱাবা মচা লেম্না খক মাঙদবনি। দিসিপ্লিন লৈনা থবকশিং মথং-মথং পাঙথোক্লুবা অকনবা অমসুং অচেৎপা ৱিল পৱার থম্মু। ইমাদগী হেনবা ইমা অমা লৈরি হায়বসি মতম পূন্নমক্তা কাউগনু। অপোকপী ইমাদগী হেনবদি ইমা লৈবাকনি। মপুনা চানবীবা মীওই ঙাক্তা ওইয়ুকো মতম পূন্নমক্তা। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭২

১) **"লৈবাক নীংবগী ঈশৈ অমসুং শৈরেং"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিনবা অমসুং শেম শাদুনা পুথোরকপনো?

২) **"পাউখুম"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) **"ইমানা ঙায়রি থোঙ্গালদা লেপ্তুনা/লাকপরা য়েংলি মীৎয়েংগী পোইরৈদা/নোংমগী চরা লাঙলিবা খূদিং/নীংশিংলি নঙবু শিন্থরি পীরাং।"** ঈশৈ ময়েক অসি শক্লাইরবা শৈরেংবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) **"ঐগী পুন্সি অমসুং মণিপুর (লনাইগী ৱারী অমা)"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) **"সাহেবকী থৌজাল"** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিং*

১) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৩)
২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩)
৩) রাজকুমার গেরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (১,২,৩)
৪) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩)
***৫) শগোলশেম লল্লেবী চনু, শগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক - (১,২,৩,৪)***
৬) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭১গী ৱিন্নর*

***শগোলশেম লল্লেবী চনু, শগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৭১গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১গী পাউখুম

১) **"লাই হরাউবগী ৱাখল্লোন পরীং"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - ডা. এলাম ইন্দিরা, অনীশুবা খূৎনম - ওগষ্ট ২০১৮ ইং।**

২) **"খুদোল্লে"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - ডা. ব্রজমনি মঙাং, লাইরিক্কী মখল - নোভেল, ফর্ষ্ট পব্লিকেসন : সেপ্টেম্বর, ২০২২।**

৩) **"ৱাধরিং হাইটস"** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা অদু কনানো অমদি মণিপুরীদা কনানা ত্রান্সলেসন তৌবগে? **:- ওরিজিনেল অইবা - এমলি ব্রোর্ন্টি, ইংলিসতগী মণিপুরীদা ত্রান্সলেসন তৌবা - হৈক্রুজম শ্যামসুন্দর সিংহ, অহানবা ফোঙবা : জুন ২০২২।**

৪) **"লাইয়েকপা/য়েকলি লাইয়েকপা কনানা/মাগী মাগী কেনভাষ্টা/ফজ ফজবা লাইয়েক/ঐসু য়েক্কে কেনভাসসিদা/নীংতম্বা ইমাগী শক্তম/শান্তিতবু পামজবা ঐনি"** শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? **:- অইবা - কব্রম্বম নীলকান্ত সিংহ, লাইরিক্কী মমিং - করম্না হিংগনি, লৌথোরক্লিবা শৈরেং - নীংতম্বা, অহানবা ফোঙবা : ১৭ সেপ্টেম্বর ২০০৫ ইং।**

৫) **"অশিবা হুরানবা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো? **:- লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা, অইবা সরত সলাম, অহানবা ফোঙবা : মে, ২০০৯।**

# খঙলমদবদগী উরকপা

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -



মণিপুরগী ঙমখৈ কদাইদা লৈবগে হায়বসি মণিপুরী নত্তবশিংনা খঙদে। কুকিনসু খঙদে। দেল্লীনসু খঙদে। অসাম রাইফলসনসু খঙদে। খঙদবা ঙমখৈদু থুগাইগনি হায়দুনা কুকিশিংনা অরোইবা ৱারেপ লৌই। বোম কাপ্পী, নোংমৈ কাপ্পী। অপঙ-অথৌগী থৌনাদা মী হাৎলি। মণিপুর থুগাইরিবনি হায়দুনা মীতৈগী য়ূমগী ফক্লাং থুগাই। তোঙানবা লৈবাক তাল্লিবনি হায়দুনা জে সী বিনা লৈবাক খোৎলি। লৈবাক কোৎপদা তোঙানবা লৈবাক থেংনদবদগী চীংদোন্দা কারগা অমুক য়েংই। চীংদগী য়েংথরকপদা তোঙানবা লৈবাক উরে হায়দুনা নোংমৈ কাপ্লগা অমুক কুমথরকই। মসি য়ৌরবা ফাওবদা মণিপুরগী ঙমখৈ লৈফম খঙদদুনা থুগাইবা ঙমদ্রি। কদায়দা লৈবগে খঙদবা ঙমখৈদু থুগাইনি হায়রুবগী ইকায়জরি। মণিপুর কায়রোই, মচেৎ তারোই হায়বসিদি মণিপুরগী ঙমখৈ কদাইদা লৈবগে খঙবা মীতৈশিংনা লোইনা হায়। মণিপুর য়াম্না মুন্না য়েংবা মীনসু মণিপুরগী ঙমখৈগী লৈফম খঙই। য়ূম মৈ থাবদা চাকপা ঙমদবা মণিপুরগী ঙমখৈনি। ৱাখল কয়া তাদবা মীনা মপুন্সি চূপ্পা থিরবসু মণিপুরগী ঙমখৈ কদাইদা লৈবগে হায়বা খঙলরোইদবনি। খঙলম্লবদি খৎনবসু হৌরক্লল্লোই। মীতৈগী য়ূমসু মৈ থারল্লোই। নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরমগনি। হরাও হরাও কায়নরমগনি। মণিপুরগী মেপ থুগাইরগা তোঙানবা লৈবাক অমগী মেপ য়েক্লবা নোংমৈ পায়রিবদো থাদোকপীয়ু। মণিপুরগী মেপ হায়বদি লমখৈদি মীতৈ খুদিংমক্কী থম্মোয় মনুংদা লৈবনি। থম্মোয় নুংদা লৈ হায়রিবা ঙমখৈসি কিদনিদা নূঙ লৈবদৌনা নপ্লগা লৈবা নত্তে। এক্স-রে লৌবদা তাবা নত্তে। ওপরেসন তৌরগা লৌথোকপা য়াবসু নত্তে। থম্মোয়দা মঙাল ওইনা য়াওরগা শ্বর হোনবগী ওক্সিজেন ওইনা থাদোরকপনি। ৱাহৈ খরসিদা ৱাখল তারবদি কুকি পূন্নমক মায়-মীৎ তাথোক্লগা মীকুপ অসিদগী নখোয়গী বঙ্কর নশা নশানা লোইনমক থুগাইজবা য়ারে।

মীতৈনা শ্বর হোনবদা মণিপুরগী ঙমখৈ য়াওবনিনা চীংদা নোং কন্না চুরবসু, নোংমৈ পায়বা লৈ হায়রবসু মীতৈশিংদি চীংদা কারক্কনি। তেংবানবা মপু মহাক্কী ফাঙ্খোঙ নামা পুরিবা, মীহিংলেন-মীপোকপা লাইনিংথৌ কৌব্রুবু খুরুমজনবা চহী খুদিংগী কৌব্রু চীংদোন লোম্নরক্কনি। লাইনীংথৌগী খুভম থুগাইরে খল্লিবদো করিমত্তা কায়দনা মীতৈশিংগী থম্মোয়দা য়াওরি। কৌব্রু খূভম মাঙবা লৈতে। মীতৈনা হেক লৈরিমখৈ কৌব্রু চীংদোনদা মীতৈ পরেং পরেং কারকপদো নখোয়না করিগুম্বা তাইবঙসিদা লৈরবদি নমীৎনা উবা ফংগনি। ৱাখল তৌবীয়ু অদোমগী থম্মোয়দুদা করি ফাওবীবগে। শজিবু থানা লাকপা খুদিংদসু শম্থোঙ মায়কৈ পুরিবা লাইনিংথৌ থাংজিংগী লিচিংনা মীতৈ মশীং থিঙমদনা থাংজিং চীংদোন তল্লক্কনি। মীতৈনা লৈরিমখৈ মাঙবা নাইররোইদবা খুভমনি। থিংবা য়ারোইদবা খোঙচৎনি। মণিপুরগী ঙমখৈ মচেৎ থিরিবা কাঙবুনা পূক্লিং লৈতানা খনবীয়ু। তোঙানবা লৈবাক থিবগী জে সী বি কোৎলিবা কাঙবুনা থুগাইরেনা হরাওরিবা ৱাংব্রেন খুভমবু ওইরিবা লাইনিংথৌ অসিনা করি মথৌ পুবগে হায়বদু খঙলম্লোই। মীওইবা হায়বা ঐখোয় পূম্বনা অশি লমদম পাংবগী থৌদা লাইনিংথৌ ৱাংব্রেননা পুরিবনি। অশিবগী লম্বীদা মরী মরী চৎচরগে হায়দুনা থুগাইরুবা ওইরবদি অচুম্বা খোঙথাংনি নখোয়গী। মণিপুর মচেৎ লৌনবনি খন্দুনা খঙদবদৈ থুগাইরুবা ওইরগনা লাইনিংথৌ মানা চানবীরসনু। লাইনিংথৌগী থৌদা পাংলসনু।

মণিপুর কৌবা লমদমসে অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎনা মী হাত্তবা লমদমনি। তমথীবা ঈশিং ঈচাওনসু মীশি-মীনা থোকহন্দবা লৈবাকনি। মীওইববু ৱাহল্লিবা মৈগী চীং হায়বদুসু পোকখায়দবা লমদমনি। লাইনা পীবা কংলৈপাকনি। মাও য়ৌরকপদা চাক-এঙ্গাং হাওবা মণিপুরনি। মোরে য়ৌরকপদা মোন মোন লাওবা ব্লাঙ্কেট (ফৈজুপ) মরাং কায়বা লমদমনি। জিরি য়ৌরুবদা লৈরকপা জিরি খাংদা থোংবা এঙ্গাংগী মহাও কংলৈপাক অসিগী ৱাংমদা খঙদ্রবা লৈবাকনি। ইরমদম অসিদা লাক্তুনা ঐখোয়গী নুংঙাইবা উরগা নখোয়গী লম ওইনীংবদো মীওইপোকনিনা নীংবদি হৌনৈ-ওইনীংলমগনি। অতিয়াদা পায়বা উচেক্লো নুংঙাইনা লৈদুনা শান্নবদু উরগা নখোয়না উথক্তা কাখৎতুনা পাইদোরবনি হায়দুনা চোংথরিবদো করি থোক্লে হৌজিক্তি। নকোক্তুনা লৈমায়দা য়ৈশিনবদা মীৎতা পাইবা তন্দননা মণিপুরগী ঙমখৈ তাক্লল্লনি। উবা হৌরক্লমনিনে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মণিপুরগী এম পি ২, এম এল এ ৪০গী শক্তম

***ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,***

পার্লিয়ামেন্টদা চীং-তম অনীগী এম পি জিরো অৱারদা ওইরবসু ৱাহৈ অমা ফাওবা ঙাঙথোকপা ঙমখিদবা করিগীনো? ৱা ঙাঙগনু থিংলিবা এম পিশিং অমদি মালেম পূম্বদা পুৱারীদা লৈহৌনবা রিজাইন তৌরম্লবদি কয়াদা চাউথোকচগদবা মীয়াম্না। লৈবাক মীয়াম্না মীহুৎ ওইনা খঞ্জখিবা মীহুৎ অনীদা পীখিবা রাইট অদুগী মমল কদায়দা থমখ্রবগে? পাঙদবা মীহুৎ হায়বদু ওইরে। মীচম মীয়াম শিরিবা, মীকপ-মীরাওখোল অসিবু সিনেমা, দ্রামাগুম উরব্রা? ঐখোয় য়েলহৌমী মীয়ামদা ৱাফম অমত্তং নীংশিংজরি- মতিক চাদ্রবা মীওইশিংদা ঐখোয় মীয়ামগী মমল য়াল্লবা ভোটকী শিল নম্লুবদগী ঙসিগী থৌদোক অসি ওইরক্লিবনি। দেল্লীদগী নুমিদাংদা শা-ষণ তানবগুম তাল্লকখিবা এম এল এ ৪০গী শক্তম মিজোরামগী সী এমনা য়াম্না উশিৎতনা হায়রকখিবা ৱাফম অদু চপ চানা থোক্লি। মীহুৎশিংদা তাল্লকখিবা মণিপুর মীয়ামদা তানবনি হায়বসি ঐখোয়গী মীয়াম্না খঙমিন্নসি। ঐখোয়গী মীয়াম্বু শা-ষণগুম্না উরে হায়বসিনি। নুমিৎ ১০০ হেন্না লান অসি করিসু তাবীদ্রবদা ঐখোয়না করিগী দেল্লী চৎলিবনো? মীয়ামগী ঈজৎ য়োল্লুরিবা করিগীনো? নেসনল পার্টিগী মরুমদা মখোঙ পায়দুনা কয়াম কুইনা ঐখোয়গী মীয়াম হিংখিসিগে? মণিপুর মীয়াম পূন্নমক মৈথক্তা খাং থাঙ্গৎতুনা ঙৌরিবসি করিগীনো? শাদা হায়রবসু নোংশা, কৈগী শক্তম লৌদদনা গধা ওইরিবা করিগীনো? গধাদি গধা ওইনা হিংলি জঙ্গলদা, কৈনা কৈ, নোংশানা নোংশা ওই। মীতৈ নুপী মীহুৎ অনী নরমদমগী থা ১০ নাউপুদুনা পোকপা নচা ময়াম অমা শিরবা ফাওবা কৈ অমোমগী শক্তম লৌদবা করিগীনো? ইমা মৈরা পায়বী কয়ানা মচা শিবদা মীৎকী পিগা লোয়ননা লাউখিবা খোল্লাও করিগী তাশিন্নদবনো? নখোয় অনীনা মীয়াম্বু নুংশিবা, ইমা লৈবাকপু নুংশিবা ওইরম্লবদি ইমাশিংগী মমাঙ থাদুনা থোরক্কদবনি। করম্বা নুপী ওইবীগী থম্মোয়নো নখোয়দা চেল্লিবা? নচা শিরগা এম এল এ ফম কোন্দুনা লৈবী নুপী মীহুৎ অনীনি। মীহুৎ ৪০মক দেল্লী চৎপগী মহুত্তা কুকিনা নোংমৈ কাপ্লিবা, চীংয়াগী অকোয়বদা তারিবা ৱারবা, নখোয়দা ভোট পীখিবা মীয়ামগী মনাক্তা চৎতুনা মমাঙ থাবা নোংশা, কৈগী শক্তম লৌদুনা লেপ্পা ঙমদ্রিবা করিগীনো? মীতৈ ফুরুপ অসি নখোয়না মূথৎলগা, নখোয়খক পালহৌবা য়াগদ্রা? মীয়াম্বু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা ঙমদবা মীওই অমত্তা ভোট লেপ্পা থোরক্কনু। নখোয়না হেক পোকপা নচা কোল্লগা ইমুংদা লৈয়ু। মীচাবু নচাগা চপ মান্ননা নুংশিবা ঙমদবা মীনুংশিগী থম্মোয় পান্দবা নখোয় পূন্নমক মী নত্তে। **অদোমগী - মুতুম শান্তি, শগোলবন্দ**

## মথৌনা লৈরবসু মরৌশিং লৈত্রবদি অপং থৌনা হায়দব্রা

**ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,**

ঐখোয়না মোংশোংদা লৈবা কৈজাও অমবু ফাগে খল্লবদি মাঙজৌননা প্লান খরদি চংই-লাং থাকপা, কৈবল চনবা, মী অমদি খূৎশু-খূৎলায়, মায়কৈ কয়া থৎশিগে, কদোম মায়কৈদা থাশিগে, করিগুম্বা খঙহৌদনা মায়োক্লদুনা হকথেংনবা তারগনা করি তৌবা। মরম ময়াম অমা হান্ননা পোরম য়াৎপা তাবনি।

হন্দক কুকি লুচিংবশিং অমদি লানগী দাইরি অমা ফংলে হায়দুনা দাইরিদুদা ইরম্বা কুকি লোনদুবু ইংলিস অমদি মণিপুরী লোলদা হন্দোক্তুনা ময়াম পানরে। খঙনদবসু কোঙ্গাইনি। দাইরি অদুগী মরোলদুনা তাকপদি মণিপুরদা ধিরেন্নবু পাল্লবসু ইবুংঙোবীনবু পাল্লবসু নোংমদি লান শোয়দনা থোক্লগনি হায়বসি খঙবা ঙল্লে। মতম চংনা শাগৎখিবা লানগী পোরমনি ঙসি ঙসিমক থোক্লিবা থৌদোকশিংসে শোয়দনা থোক্লক্কনি। মসিবু ঙাকথোক্লনবা থৌরম কয়া পায়খৎনবা হান্ননা শেম শারম্লগনি।

চহী নিফু চূপ্না প্লান তৌদুনা শাগৎলক্লিবা মখোয়গী ঈহৌসিবু খৌজেংদা মীহুন হুন্দুনা লাম্থেংনবনদি ৱাবা তাবনি, ঐখোয় মশেলসু অমনা অমা হায় অমনা অমা তৌদুনা কংজাইনগনি। তশেংনমক লানগী মরূ খঙমিন্নবা চংই। ফৎখিদ্রবা কুকিশিংনা অসাম রাইফলসপু মরুপ শান্নবা ঙল্লগা করিগী ঐখোয়না মখোয়বু মরুপ অমা ওইনা তিন্নবা ঙল্লোইদৌরিবনো? পাৎলবদি হয়িংদসু নোঞ্জৌ হায়বা ৱা লৈ, ঐখোয় থম্মোয় শেংনা ঐখোয়গী মাংদা তারিবা থৌদোক ৱাথোক কয়া মরীক চুম্না তমদুনা মখোয়দা খূৎ লাম্থোকপা চুমগনি, মখোয়দা নত্তে ঐখোয়গীনি হায়না ঐখোয়না খঞ্জরিবা (ওইরমদবসু য়াই ঙাকপীগনি) লাক্লিবশিংবু চিংনবা মীৎয়েংনা য়েংবগী মহুৎ পুকচেল চাওবা তরাম্না ওকপা চংই।

নুংশিদরা য়েংউ, সনা লৈবাক মণিপুর। উখ্রুল, মোরে, চুড়াচান্দপুর, ইম্ফাল অপূনবগী শক্তমসিনা ইমা লৈবাকসে কয়াদা ফজহল্লিবা, কন্নিংদ্রা মরুপশা ঐখোয়গী ইমা লৈবাকসে, নোংমা শোয়দনা শিরগদবা মরৈরে। শিবদি তম্লম্লবনি নুংশিখ্রবা ইমা লৈবাক্কীদমক, ঐখোয় হিংসি কল্লমসি ইরৈবাক ইজাতি। য়েংউ মাংদা সুরচন্দ্রগী শরৌদগী বৃটিশশিংসে টিকেন্দ্রজিৎ ফাবা লাক্লে।

**অদোমগী- ইবোচৌবা কাংজম, হৈঙাং মখা লৈকায়**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।